# মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি রিফোর্ম তৌদুনা কম্মিটি অসিগী ২০২২-২৩গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) ময়াই লোয়শঙগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি খাইদেম রবিকান্ত খাবা ঙানবা অমদি ওদ্টির জেনরেল য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি রিফোর্ম তৌখিবগা লোয়ননা ১৯শুবা ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল ২০২২-২৩গী ওইনা কম্মিটি অসিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না এম এস এফ হেদ ক্বার্টরগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি খাইদেম রবিকান্ত খাবা ঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী খল্লবা থৌ পুগদবশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা অকোইজম কিরঞ্জিৎ; ভাইস প্রসিদেন্টতা নিঙোম্বম লোনি অমদি শগোলশেম অমুথোইনি। জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম ৰিলিয়ম; জোইন্ট সেক্রেটরিদা অথোকপম ঙৌসনা, সমান্দ্রম জুনিকান্ত, খুন্দ্রাকপম জুলিয়া অমদি নাওরেম ববিনানি। ফাইনান্স সেক্রেটরিদা অথোকপম মাইকেল; এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরিদা কাংজম রোসন অমদি থোকচোম সৈত্যরানি; ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা রিতু সোইবম; এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি শিজগুরুময়ুম দোলিকা, সোইবম মেমথোই অমদি লাইশ্রম সোনিয়ানি। পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা পামহৈবা হৈগ্রুজম; এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা সমান্দ্রম লুৱাংলৈমা অমদি অমাকপম ইচলনি। ৱিমেন এফেয়র্স সেক্রেটরিদা থিঙুজম ববিতা; এসিষ্টেন্ট ৱিমেন এফেয়র্স সেক্রেটরিদা খুন্দোংবম চনচন অমদি নিংঙোল লৈমা মাইবমনি হায়রি।

লোয়ননা গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরিদা নিংথৌজম মঙাল; এসিষ্টেন্ট গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরিদা চিংথাম কবিতা; দ্রগস এফেয়র্স সেক্রেটরিদা য়েংকোকপম রাকেশ; এসিষ্টেন্ট দ্রগস এফেয়র্স সেক্রেটরিদা কোন্সম বেনালিস অমদি নিঙোম্বম সুরজনি। কলচরেল এফেয়র্স সেক্রেটরিদা ওক্রম মিরান্দা চনু; এসিষ্টেন্ট কলচরেল এফেয়র্স সেক্রেটরিদা থাংজম দাইনামিক অমদি থোঙ্গ্রাম কোর্দেলিয়া; ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ইকোলোজি এফেয়র্স সেক্রেটরিদা সনসম এরিস; এসিষ্টেন্ট ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ইকোলোজি এফেয়র্স সেক্রেটরিদা টি ঐচ দেগোরা অমদি হুইদ্রোম সনারিতানি। এগজিক্যুটিভ মেম্বরদনা থোকচোম প্রিয়াঙ্কা, লাইতোঞ্জম মঙাললৈবী অমদি শগোলশেম রেবিকানি হায়রি।

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না লিশাং শিৎনা চথদুনা লাক্লিবা ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়রিবা একাদেমীক কেম্পেন অসিগী মখাদা ইরমদম অসিগী খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ/ফুরুপ খায়দনা মহৈ-মশিন তম্বদা এম এস এফনা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মসিদা নত্তনা মহৈ-মশিন তম্বা ফংদনা লৈরিবা কয়া অমসু এম এস এফনা অঙম্বা মতেং পাংদুনা মহৈ-মশিন তমহল্লি। হৌজিক হৌজিকসু ঈশিং-ঈচাউগুম নোংমা কাংদনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনা ইরমদম অসিদা লৈরিবা নহা কয়াগী পুন্সি মাঙথরকপা অসিদা এম এস এফনসু মখল মখা কয়াগী থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা ইরমদম অসিবু মাঙজিল থাবা খুন্নাই অমা ওইনবগী ৱাখল্লোন দা হোৎনরি। মসিদসু নত্তনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক অসিবু ঐখোয় অমত্তা ওইনা থিংমিন্ননবগী খোঙফম অদু পুন্না লেপমিন্ননবগীদমক মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি রিফোর্ম তৌখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# জিরিগী বাবুপারাদা লৈবা ইরাবতকী মীতম মনাক্তা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস) : জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা ইরাবত মীতমগী মনাক্তা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা য়েলহৌমী মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল্দ ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা রেকমেন্দেসন থাবীয়ু অমদি এস টি ষ্টেটস দিমান্দ ইজ দ মোষ্ট ইম্পোর্টেন্ট এজেন্দা ওফ ইন্দিজিনস মৈতৈ/মীতৈগী মতাংদা সেদ্যুল্দ ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর জিরিবাম ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা ঙসি মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা এস টি দি সী এম হেদ ক্বার্টরগী ফাইনান্স সেক্রেটরি খাগোকপম কুন্দর, এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি খুমুকচম রোনেক্স খাবসু শরুক য়াখি। সেভ য়েলহৌমী, সেভ মণিপুর, অৱার লেন্দ ইজ অৱার আইদেন্টিটি, রেস্পেক্ট দেমোক্রেটিক এপ্রোচ হায়না থাবা প্লে কার্দশিং পায়দুনা ৱাকৎ মীফম অদু চথখিবনি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল বিলাক্সনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা চহী ১০ চুপ্পা চথরক্লিবা এস টি দিমান্দগী মতাংদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিদসু ৱাকৎ মীফম অসি অহানবা ওইনা হৌজবনি। মখা তানা এস টি দিমান্দগী চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শৌগৎকনি। লৈঙাক্লসু মতম লৈরিঙৈ মরক অসিদা মৈতৈ/মীতৈবু কঞ্জনবা লৈঙাক্লা রেকমেন্দেসন ইদিয়া লৈঙাক্তা অথুবদা থাবীয়ু হায়খি। এস টি দি সী এম জিরিবাম ব্রাঞ্চকী এদভাইজর হামোম ধোনিনসু এস টি দি সী এমনা চথরক্লিবা খোঙজংদা শৌগৎপগা লোয়ননা অঙম্বা মতেংশিং পাংগনি হায়খি।

# ফেসোক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাউন্সীল কুমজা ২০২২-২৩গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস) : ফেসোক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাউন্সীল কুমজা ২০২২-২৩গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (ফেসোক) হেদ ক্বার্টরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনসম প্রিতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ফেসোক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাউন্সীল ২০২২-২৩গী থৌ পুগদবশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ এ সী ঈ ঈগী রিছার্স স্কোলার সোরোখাইবম কেবেনদিশ, ভাইস প্রসিদেন্টতা এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরীগী রিছার্স স্কোলার য়ুমখাইবম পারিঙানবা, জেনরেল সেক্রেটরিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এ সী ঈ ঈগী অহুমশুবা সেমিষ্টরগী মহৈরোয় কোংখাম ইরাবন্ত, সেক্রেটরি ফাইনান্সতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মেথমেটিক্সকী অহুমশুবা সেমিষ্টরদা তম্লিবা মহৈরোয় পরৈহনবা চোংথাম অমদি পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ যোগগী অহুমশুবা সেমিষ্টরগী মহৈরোয় সেঞ্জম দেবাতিনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ফেসোকনা মহৈরোয় খুন্নাইগী থবক থৌগাই পাঙবদা হেন্না খুন্মাং চাউশিন্নবা অমদি হেন্না লৈবাক খুন্নাইগী য়াইফনবা থৌগাই পাঙবদা তঙাইফদনা মশা লোয়শঙশিং হাংদোকপা অসি তঙাইফদে। অৱাংবা থাক্কী মহৈ লোয়শঙনি হায়নরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওইবা ফেসোক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাউন্সীল অসি শেম্বনি।

ফেসোক হেদ ওফিসকী এদভাইজর লোংব্রম প্রেমচান্দ অমদি প্রসিদেন্ট নিংথৌজা রোমেশনা ময়াই তাংবল লৌদুনা শেমখিবা ফেসোক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাউন্সীল হায়রিবা মশা লোয়শঙ অসি কুমজা ২০২২দগী ২০২৩ ফাওবা থবক তৌগনি। ফেসোককী ৱাখল্লোন অফবা, অওনবা এদ্যুকেসন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা নৌনা হাংদোক্লিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ফেসোক কাউন্সীলগা খুৎশম্নদুনা চঙশিল্লিবা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং অমদি থবক থৌরমশিং অসিবু হেন্না খুন্মাং চাউশিন্না চঙশিনবা ঙম্লগনি। মশা লোয়শঙশিং হাংদোকপগী থবক মখা তানসু চথখিগনি। মসিনা ফেসোক্লা থল্লিবা পান্দমশিং মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

# মালেমগী লৈবাক ১৭কী মীওই য়াওবা ট্রেদ য়ুনিয়ন ইন্টরনেসনলগী মীফমদা মণিপুরদগী এম জয়কুমারসু শরুক য়াদুনা হরিয়ানাদা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস) : হরিয়ানাগী ফরিদবাদ সিটিগী সুরজকুন্দদা লৈবা হোটেল রাজন্দগী কনফরেন্স হোলদা ট্রেদ য়ুনিয়ন ইন্টরনেসনল (টি য়ু আই)গী জেনরেল সেক্রেটরি জোলা সফাথে, ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ কনফিদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি জোস প্রকাশ অমদি ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সী শ্রীকুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা হৌখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ কনফিদরেসন (এ আই এস জি ঈ সী) মণিপুরগী সেক্রেটরি ঈ গিরানিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




মীফম অদু দিরেক্টিভ কম্মিটিগী মেম্বর আর এন পরাসরনা ৱেলকম এদ্রেস পীরবা মতুংদা ট্রেদ য়ুনিয়নগী লুচিংবা কোনুনার সুভাশ লাংবনা কিনোট এদ্রেস পীখি। ৱর্ল্ড ফেদরেসন ওফ ট্রেদ য়ুনিয়নগী হেমলাথানা স্পেসল গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা নিও লিবরেল ইকনমিক পোলিসীনা ইন্দিয়াগী শুরি-নোম্লিবা মীয়াম খক্তা নত্তনা মিদ্দল ক্লাসনি হায়রিবা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিং অমদি ইন্দষ্ট্রিএল/ট্রেননচিংবগী ৱার্কর কয়াবু ইকনমিকেল্লি এক্সপ্লোইট তৌরি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা পোলিসী অসি মালেমগী ইম্পরিএলিষ্ট লৈবাক্কী দিক্টেট ঙাক্তনি। ফাইনান্সিএল কেপিটেলশিংবু মনিং তম্লা শান্নদুনা মীয়ামগী লন-থুমশিংবু মখোয়না লৈঙাকপগী খুথাংদা নীংতম্লা শীজিন্নরি। মরম অদুনা এক্সপ্লোইটেসনগী থৌরী কোঙ্গোই পায়রিবা ক্রোনি কেপিটেলিষ্ট, কোর্পোরেটরশিংগী লৈঙাক্লুম লৈরবা গভর্ণমেন্ট অসিগী মায়োক্তা ৱার্করশিং লৌমী মীয়াম পুন্দুনা ঈহৌ হৌবা তঙাইফদ্রে হায়খি।

মীফম অদুদা ওনলাইনদা ট্রেদ য়ুনিয়ন ইন্টরনেসনলগী প্রসিদেন্ট অর্টুর সিক্বেরানা ফ্রান্সকী পেরিসতগী প্রসিদেন্সিএল এদ্রেস পীরদুনা হায়খি, কোরোনা ভাইরস লাইচৎনা হেন্না হেন্না শুরি-নোম্লিবা মীয়ামদনা হেন্না ৱাখি। শেঞ্জাও পায়বা কাঙবুদি ৱাখিদে। মখোয়দি হেন্নদুম শেন্দোং তাবা ঙমখি। সাঊথ অফ্রিকাদগী শরুক য়াখিবা টি য়ু আইগী জেনরেল সেক্রেটরি জোলা সফাথেনসু থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখি। মীফম অদুদা এ আই এস জি ঈ সী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম জয়কুমারসু শরুক য়ারদুনা ইন্টরনেসনল রিপোর্টশিং অদুদা ভিয়ু পীরদুনা ক্বেসন অন্সর পীখি হায়রি।

# লাইনিং-লাইশোল অমদি মীতৈ ফুরুপপু য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখিবা ওজা অকাবগী ৭৮লকশুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস) : লমদমসিগী লোল, ময়েক, নাৎ, লাইনিং-লাইশোল অমদি মীতৈ ফুরুপপু য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখিবা মীয়ামগী লুচিংপুরেল ওজা অকাবা হায়না মীয়াম্না খঙনবা চিংশুবম অকাবগী ৭৮ লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।



থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিনা হৌদোক্লম্বা মণিপুরগী ইহান হানবা মীতৈ ময়েক য়াওনা লোল অহুমদা নুংতিগী নুংথিলদা ফোঙবা পাউচে পান্দমগী ৯লকশুবা মপোক থৌরমসু পাঙথোকখি। সগোলবন্দ ৱাহেংবম লৈকায়দা লৈবা পান্দম পাউচেগী লোয়শঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবা ওজা চিংশুবম অকাবগী শক্তমদা হৈ-লৈ কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা থৌরম অদুগী মনুং চন্না পান্দম পাউচেগী মীতৈ থাপালোন ২০২৩সু ফোঙখি।

থৌরম অদুদা পান্দম পাউচেগী এদিটোরিয়েল বোর্দকী মেম্বর নামোইজম তোম্বা, মাইস্নাম বুধ অমদি মোইরাংথেম নাওখম্বনচিংবসু শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মীলালগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা পান্দম পাউচেগী মেনেজিং এদিটরগী থৌ পুরিবা এম নাওখোম্বনা ঙসি চৎনরিবা মীতৈ ময়েক অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা লৈখিদ্রবা ওজা অকাবনা লৌরম্বা থৌদাং হৌরক্লিবা ঙসিগী মীরোলশিংনা কাউফম থোক্তে হায়না শীংথাখি।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, ওজা অকাবা কুমজা ১৯৭৯দা লিংখৎখিবা মীতৈ নেসনল ফ্রন্ট অমদি কুমজা ২০০৩দা শাফোঙখিবা মীলালগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইরম্লবা মীশক অমনি। লুচিংবা অসিগী মখাদা মীতৈ ময়েক্কী অচৌবা ঈহৌ শাগৎতুনা ঙসি এম এগী থাক্তা তম্লিবা ময়েক অসি কুমজা ২০০৬তগী ক্লাস অমদগী তম্বা হৌরকখিবনি। লোল অমদি ময়েক য়োকখৎনবা হোৎনবদা নত্তনা পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা চীংমী-তম্মীগী কুন্দোশিং মরুওইনা মেরা চাউরেল হৌবা অমদি মেরা হৌচোংবনচিংবা থৌরমশিং পাকশন্না পাঙথোক্লবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরমকি। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা চীং-তমগী মরী হেন্না চেৎশিন্নবা হোৎনরমখি। মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুং ওজা অকাবগা নাগাগী লুচিংবা রুংসুং সুইসা অনীগী মীতম চীং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খীন্দুনা চীং-তমগী মরী হেন্না চেৎশিন্নবা হোৎনবসু লৈখ্রে। ঙসি ঙসিমক ৱাকচিংগী ২৩নি পানবদা পাক চাউনা পাঙথোক্লরিবা পুয়া মৈ থাবা থৌরম অসিমকসু লুচিংবা অসিমক্লা ইহান হানবা মোংবা হনবগী উমংদা লোন্না হৌদোক্লমখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা পান্দম পাউচেগী এগজিক্যুটিভ এদিটর নামোইজম তোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, পাউচেগী মতেংনা মীয়াম পুম্বদা নাৎ অমদি ময়েক খঙহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা কুমজা ১৯৮১দা অয়ুক্তা নুংতিগী পাউচে ওইনা পান্দম লিংখৎখিবনি হায়খি।

# ৱর্ল্ড মেলেরিয়া দে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস) : মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লগুম দিষ্ট্রিক্ট ভেক্টর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রাম থৌবালনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড মেলেরিয়া দে ২০২২গী থৌরম ঙসি থৌবাল ৱাংমতাবদা লৈবা সী এম ও কমপ্লেক্সকী এন ঐচ এম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সী এম ও থৌবাল ডা. ৱাই নোকুল, দি এম ও থৌবাল ডা. এল ললিতকুমার, দি এফ দব্লিয়ু ও থৌবাল ডা. কে এস ঐচ মেমচা অমদি খোংজোম পি ঐচ সীগী এম ও ইন-চার্জ ডা. টি ঐচ সমানন্দনচিংবনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। মালেম পুম্বনা কিনরবা মেলেরিয়াগী লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক শরুক য়াদুনা মেলেরিয়া ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম অসি মায় পাকহনসি অমদি কুমজা ২০৩০ ফাওবদা থল্লিবা ইলিমিনেসন টার্গেট অসি মপুং ফাহনসি হায়না থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাঙাংলোয়শিংনা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মশাগী মথৌ নীংথিনা তৌরিবা দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংদসু খুদোল তমখি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।১১।২০২২ ইং, শগোলশেল;
হিয়াঙ্গৈগী ১৭নি পানবা।

মেষ: থবক পাঙগনি, শেল ফংগনি। হকচাংসু নুংঙাইজবা, থৌনা ফুদোকপনা অফবা মফম ফংজবা লৈ। য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবদি লৈগনি, ৱা য়াম্না ঙাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: য়েৎনবা অমদি ৱা য়াম্না ঙাংবা পামগনু -মাঙজগনি। লন-থুম অমদি অফবা লৌশিংদি ফংগনি, লান্দবনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। মহু চাওবনা তাথিবা লৈ-পঙথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: নীংবা থুংবা ৱাৎকনি, অনৌবা থৌরম পায়গনু অমদি খুৎচাও থাগনু। মীকোক থোংবা ৱারসু মীয়াম্নদি য়াগনি, মখোয়গা লোয়নৌ-কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কর্কট: অনম তানবা অমদি অশাওবনা মাঙজবা লৈগনি। নোল্লুক্না মোঙ হাদনা থৌ পাঙনবা হোৎনৌ-ৱাখল থোক্কনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি। মীচঙ হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: অনৌবা থবক পাঙগনি, খুৎচাও থাবা য়ারগনি। খাঙবা কনবগী কান্নবা অমদি ইমুং-মনুংগী মতেংনা ওইজ-ওইথক ফংবসু হেনগনি। লৌশিং তানহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কন্যা: ৱাখল লাঙগনু-নথক থোংবনা চানবীবা ৱাৎকনি। নীংথিনা ৱাখল তান্নরদি মরুপ মপাংগী মতেং ফংগনি। অরু-অহেন নৎত্রগা লৈতেং হুরানবনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: হরাওবা নুংঙাইজবা অমদি থৌনা লৈবগী নথক থোংবনা চানবীগদবা নুমিৎনি। অদুবু নাপলদি তৌগনু, ফংবা য়াবসু নোল্লুকপা হৈতবনা মাঙজগনি-কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি। শাওনবনা মাঙজবা খরা লৈরবসু মীংচৎতি ফংগনি অমদি পল্লম্বা লন-থুম ফংবগী নুংঙাইজবসু লৈগনি। মীচঙ খোম্বা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

ধনু: নীংবা থুংবা, হরাওবা নুংঙাইবা, মীচঙ হেনগৎপা নুমিৎনি। য়েৎনবনা লন ময়েং তাগনি-খাঙবা কল্লু। শকখঙদবা লোয়নবা খরদি চেকশিল্লু কিবা নংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: মরুপ মপাংগা ৱাখল তান্নদবা লৈগনি-মীতোপ থাজগনু। নহৈ/নচা-ননাইগী লমদা নীংবা থুংবা অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবা লৈগনি। পাইরক্কী লৌশিং চাওই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: পুক্নিং ফাথনা লৈগদবা নুমিৎনি। অনম তানগনু, শাওনবা য়াদে অমদি অঙম্বগা মুক্নবদি তোংজবা লৈতে কাওগনু। মোং হাদনা খুদোংচাবা য়েংলগা থৌপাঙউ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিন: নীংবা থুংগনি, শেন্দোং য়ামগনি অমদি থবক পাঙগনি। মরুপ মপাংগী মতেং ফংগনি, মীনা ফনা শোন্নগনি অমদি য়েৎনবদা মায় পাক্কনি। অশিংবদি শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা নেসনল লিগেল সর্ভিসেস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) থৌবালনা শীন্দুনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গী মীৎয়েং মখাদা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা নেসনল লিগেল সর্ভিসেস দে ২০২২গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনল লিগেল সর্ভিসেস দেগী থৌরম অদুদা দি এল এস এ থৌবালগী চ্যেরপর্সন বিন্নি ঙাঙোম, সেক্রেটরি মসানা পানমৈ, জে এম এফ সী মিস নেমখোলাম অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট খাঙেম্বম অরুনকুমারনা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা কুমজা ২০২২দা থোইদোক হেন্দাক্লা থবক পাঙথোকপগীদমক বেষ্ট পেনেল লোয়র অমদি বেষ্ট পেরা লিগেল ভলন্টিয়রগী মনাশিং মথংশিৎনা এদভোকেট কে ঐচ লেম্বিস্না মৈদিংঙু অমদি ৱাহেংবম জিবনদা খুৎশিন্নখি।

নেসনল লিগেল সর্ভিসেস দেগী মতাংদা থৌবাল দি এল এস এগী চ্যেরমেন বিন্নি ঙাঙোমনা হায়খি, ফ্রী লিগেল এইদ হায়বগী কন্সেপ্ট অসি মণিপুর ষ্টেট অসিদা অনৌবা ওইজরবসু মসলসাগী মীৎয়েং মখাদা পেনেল লোয়র্স অমদি পি এল ভিশিংনা লেপ্তুনা হোৎনদুনা কাচিন-কোয়া য়ৌনবা হোৎনদুনা এক্সেস টু জষ্টিস ফোর ওল হায়বা মোটো অসি ফংনবা হোৎনরিবা অসি শীংথানিংঙাইনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা দি এল এস এ থৌবালগী কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা থৌরমশিং হায়লাইট তৌবা ফোটো এগজিবিসন অমসুং কোর্ট কমপ্লেক্স অসিদা উৎখি। হক হমারা ভি টো হে @75 কেম্পেন্যনগী মনুং চন্না ঙসি সন্রামদা লৈবা এ বি সী ঈ দি ও ওবজার্ভেসন হোমগী সী সী এলশিংদা নোংমগী ওইবা মাইক্রো লিগেল এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) থৌবালগী সেক্রেটরি মসানা পানমৈ অমদি এদভোকেট মাইস্নাম ব্রোজেন্দ্রোনা সী সী এলশিংগী থেংনরিবা প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা অমদি মখোয়না সী সী এল অমা ওইনা ফংদবা য়াদবা রাইটশিংগী মতাংদসু ইন্টরেক্সন পাঙথোকখি।

# বিমোলানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী মশক নাইরবী অমদি নুপীলক্তগী অহানবা প্রোফেসরগী মিংথোল ফংখিবী ক্ষেত্রি বিমোলানা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা পোইরৈ লৈমরোল অমদি ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন্না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা হায়রি।

MANIPUR CHESS ASSOCIATION

CONDOLENCE



Shri Leishangthem Sarat Singh Ex-Executive Member, Manipur Chess Association, Manipur left this universe for his heavenly abode on Friday, the 9th November, 2022 at his residence at Kongba Kshetri Leikai, Imphal, Manipur following a prolonged illness. His sudden and untimely demise has caused an irreparable loss in the smooth working of the MCA which cannot be filled up at all the time to come.

A condolence meeting of all the Executive members of MCA was organised on Wednesday, the 9th November, 2022 at 11 a.m. in the office of the Manipur Chess Association located at Mapal Kangjeibung, Imphal. All the members present in the meeting observed 2 (two) minutes silence as mark of respect to his departed soul. Further, all the members present in the condolence meeting wish his soul live in peace too in the heaven.

Further, all the members present in the meeting expressed their willingness to join in the grievances and the profound grief and sorrowfulness, facing by all his bereaved family members.

Sd/- P. Rajendro
Vice-President

HL-P/4839/10